"তাইবঙপান অসিদা ঐখোয় কনাসু ফিজেৎ অমা পুদুনা লাকপা নত্তে,
পাই অমা য়াদ উমদুনা খোঙদারক্তে।"
- হিজম গুণ (ঐখোয়' তাদ)

শৈরেং

পূক্লিংগী ইহুল
— অঙোম ইবোমচা

মিৎকপ থোক্লো, থোক্লো মিৎকপ
মণিপুর ইমাগী মপারি মমোমশিং
থৌনা ফরবা তুংগী যূম্বীরেল।
পাঙথোক্লসি পূন্না ইমাগী থৌদাং
লৈখোঙ শোল্লসি লৈহাও চেলহন্না
থাবিরল্লিবা শিঙেল লৈরাংদা অথৌবশিংনা
মণিপুর ইমাগী ঈংলবা লৈকোন্দা।
চৎখ্রবসু অথৌবা মপারি মমোম কয়া-কয়া
থাঙ্গাল, পাওনা, টিকেন্দ্রজিৎ
গাইদিনলিয়ু, ইরাবতনচিংবা
কথোকখিবা মপূন্সি
পোক্লফম ইমাগীদমক্তা।
চঙলকখিবা লানফমদা নোক্লা নোক্লা
নীংতম খোল্লাউ ৱাংনা লাউনা
থৱায় খূবাক্তা হাপ্না-নোক্লা
থেংনখিবা খোংজোমগী লানফমদা
থৱায়না পোন্থা পীখিবা।
অথৌবশিংগী বলিদানগী ঈখেংতনা
চেন্থখিবা ঈচেল নাইনা খোংজোম তুরেলদা
নীংশিংসি কাউগুমসি তুংগী যূম্বীরেলশিং
খারসি কন্না ৱাংলবা শন্বল
য়েক্লবনা কৈদৌঙৈ চঙকপা ঙমদনবা।
পাইহল্লসি ইমাগী নীংতম ফিরাল
লাউরসি পূন্না নীংতম খোল্লাও
খোঞ্জেল তিন্ননা অমত্তা ওইনা
মিৎকপ থোক্লো, থোক্লো মিৎকপ
মণিপুর ইমাগী মপারি মমোমশিং।

লাই ওইখ্রবা অহলশিংদো
— শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ঙসিদি অমুক হন্না উনীংলক্লে
ইপু, ইবেন অনীনা
ফমেন ফক্তা ফল্লদুনা
ইমুং মনুংগী লৈত-লায়রগী
ৱারী-ৱাতাই শানখিবদো।
পলেম ইমা অপোকপী
পন্থৌ ইপা ইবুংঙো
ঙসিদি ইনাক্তা ওন্থোক্লা লৈহন্নীংখ্রেদা,
নুমিদাংগী চাক্লেন
ঙাইনা ঙাইনা ইপুনা
লীবিখিবা ফুঙ্গা ৱারীশিং
নীংশিংলুরগা ঙসিদি কয়াদা
মমল লৈখ্রবা।
অমুক হন্না উনীংলক্লে
ইপু, ইবেন, ইপা, ইমা
মখোয়গী ৱারীনা, মখোয়গী পাউখোলনা
পূন্সিগী মথেল ওইরল্লে।
ইনাক্তা লৈরিঙৈ পোৎকী মগুণ খঙখিদে,
লাই ওইখ্রবা অহলশিংগী কাইহৈদ্রবা
ৱাঙাঙ ৱাহৈ কয়াদো খোমজিন
তাশিনহৌদ্রবা অপঙবা থম্মোয়
কপ্লি ঙসিদি।

তাইবঙ খোঙচৎ
— নিংথৌজম বিমোলা লৈমা

য়েংউ-য়েংউ খুদিংদা
অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তা
পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তো
উরু-উরু খুদিংদা
নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ঙাক্তা
ফজবগী ফজবা ঙাক্তা
অঙকপনি তাইবঙগী খোঙচৎ।
থেংনরুই মখল কয়া কয়া
অমগা অমগা অমতা মান্নদে
মীমান্নদ্রবা কয়া অমনা
কয়াদা নুংঙাইনা চৎলিবা
মোমোন মোমোন নোক্তুনা
অৱাবনা করিনো নুংঙাইবনা
করিনো খঙদনা
অঙকপনি তাইবঙগী খোঙচৎ।
ফজবনা করিনো
অথিবনা করিনো
অমোৎপনা করিনো
খঙদনা চৎলি মীয়াম মরক্তা
অঙকপনি তাইবঙগী খোঙচৎ।
অহাওবনা করিনো
হাওতবনা করিনো
অফং-অফংবা
খুন্দুনা চারি
অঙকপনি মীওইবগী খোঙচৎ।
নাবসু লৈতে অঈংবসু খঙদে
শাবসু ফাওদে উখোং ৱাখোঙনা
মখোয়গী পোত্থাফম্নি
উখা-ৱাখানা মখোয়গী য়ারেকফম্নি
অঙকপনি তাইবঙগী খোঙচৎ।
তাইবঙ শেন্বা মপূ
নহাক্লা করিগীনো
অমগা অমগা
মান্ননা শেন্বীদ্রিবা
নহাকসু ফৎতেদা
মীচং মীখাই নাইনা
শেন্বীরিবা তাইবঙগী খোঙচৎপু।

শরুক
— এস কে নাওরেম

শিগদবা লৈরবদি নরৈবাক্কী শিরন্মু
ময়াই কাবা চীঞাক্তা লাইচুদুনা হিংদৌ শরুক
মীয়ামগীদমক নপূন্সিদো কথোক্লন্মু।
মীঙোন্দগী নিন্দৌ শরুক
নঙনা ওইনা পীথোক্লন্মু।
মীঙোন্দগী মুন্দৌ শরুক
চাদনা কংশি শিয়ু
ৱা ঙাঙদৌ শরুক
থবক্লা ওইনা তাক্লন্মু
মীঙোন্দা তাক্তৌ শরুক
নঙনা ওইনা তৌরন্মু
মীগী অশোয়বা য়েংদৌ শরুক
নঙগী অশোয়বা শেমদোকউ।

ধরনা
— এম নিলকুমারি

ধরনা ফমসি ঐখোয়গী ফম্ফমদা
ধরনা কয়ানি, ৱাকৎ মীফম কয়ানি
কনাগী মমাঙদনো;
কনাগী মফমদনো থম্মোয় পাউদম
মীয়ামগী মমাঙদরা?
কুকি ফূরুপকী মমাঙদরা?
শল্লাং ফারবী মীতৈ পোকপী
ইমাগী মফমদরা
ৱাকৎ মীফম ৱাকৎ খোঙজং
খঙদে, লৈতে, উদে মীওই কয়াগী মীহুত্তুনা
মীহুৎলা মীচেনলা
মতম মতমগীনি মীনা মীবু ওৎপনি
ধরনা ফমসি কান্নবা কান্নদবা থিরুরনু
অয়াংবা নুংশিৎকী খোঙজেলনি
মাঙখ্রবা ৱাহন্থোক-মাঙহনখ্রবা লন্বী হনফম খঙদ্রবা
লন্বী লন্মুক্লরবা মীপূম খুদিংনা
কপ্লীবরা হৱাওরিবরা নোক্লিবরা
কনাগী পাউখুম ঙাইগদবা
পোক্লফম লমদম কংলৈপাক
মচু তরেৎকী ফিরালনি
ধরনা ফমসি তানবদা ফংব্রা য়েংহৌরুসি
মচু তরেৎকী ফিরালনি
নুপীলানগী ঈজৎ কল্লমসি
জুন ১৮সু ইমাশিংগী মোংফম্নি
নচাশিংনা কাউফদে
ধরনা ৱাকৎ মীফম-খোঙচৎ।

করিগী কাউথোক্লি মীওইবা
— নাওরেম মঙ্গি

শা ঙা উচেকশিং
হৌরিবা উপাল ৱাপালশিংনা
ৱা ঙাঙবা ঙল্লল্লবা
শোয়দনা ৱারৌনা হায়রক্কনি
খোন্থাং য়ৈনা লাউরক্কনি
নুংশি হৈতে চৈরক্কনি
তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সে
লাইগী ঙমথং ওইরসু
ফৎখিদ্রবা জিবনি খল্লমগনি।
য়ামখ্রবা ঈশিংগী জিবশিং
লোন্থোক্তবা হৈপাল লৈপালশিংনা
মীরোল লোনবা হৈরল্লবা
মালেমগী জাতি ময়ামসিগী
মান্নদবা লোন ময়ামসিদা
কনাগী লোন্দা ঙাঙগনি
ঙাঙফম খঙলরোই খন্দুনা
মরোল থোকহন্দবা ওইরম্নি
শিংখ্রবা তাইবঙ মপূনি।
মপূ মহাক্লা থনল্লিবা
লেংলি পাল্লিবা খুদিংমক্কী
কান্নবা লোইনা লৈরন্মী
ইশানা হোল্লিবা শ্বরসিফাও
কদাইদগী লাকই খঙজদ্রিবা
অমমম অঙান খাইদুনা
অঙীং অশা থমদুনা
মহাক লৈ তাকপীরিবা
করিগী কাউথোক্লি মীওইবা।

দ্রগ কিং পিন
— এস লাকপতি মঙাং

মীওইবগী য়েক্লবা ওইরিবা দ্রগ কিং পিনশিং
মপূন্সি চূপ্পা অচৌবা জেলদা কূ তৌদুনা থন্বা
অথকপা, অচাবা-অকাপ্পশিংদুনা
য়োৎকী শায়োকশঙ অমদা
শিদ্রি ফাওবা মশাদু ফাগং কংদুনা য়াইবা
অদুগা য়োল্লিবা কয়ামনা শগোল-ষণগুম্না
পোপু/য়াচল লাক্তুনা
চৈ থাদুনা কোলু শুন্বা,
লৌ ইঙ্খোল খোইবা শীজিন্নবা
মসি নত্তবা অহকপা চৈরাক করি লৈরিবগে?
মখোয়না মলেমগী লৈমায়দা মোংফম কয়া শেল্লকই
'দুনা মালেমসিদগী মীওই কাঙলূপসিবু
মূথুৎখিনবা পাম্বেদি
মখোয়বু অতোপ্পা সংসার অমদা তিলহনখিবনি
অহানবদা দ্রগ কিং পিনশিং অদুগা মথং মথং
ঙসি থেংনরিবা দ্রগকী চৈথেং
অৱাবসিনা হেক খমখিবদা
তাইবঙপান অসি মহৌশুম্না ঈচিক-চিক্তুনা
মাঙলুরবা উচেক-ৱায়াশিংগী
নুংশিরবা খোঞ্জেলশিং তারক্কনি
মুৎখ্রবা জীব কয়াসু নৌহৌননা থোরকপা উদুনা
মীওইবগী অনৌবা মপোক অমমুক নৌনা হঞ্জিল্লক্কনি
'দুনা হয়েং তুংগী মীরোলশিংনা
ঈংনা চিক্লা হিংহৌনবগীদমক
দ্রগকী খোঙ্গুল মমীশিং
মালেমদগী মরূ ফংনা মূথুৎলসি।

মতম মতমগী ৱাখল

অঙাং ওইরিঙৈগী য়াউশঙদো

মতম হায়বসি খঙহৌদে। অঙাং ওইরিঙৈ, নুপামচাগী পূন্সি নীংশিংলুবদা নুংশিরকই। অঙাং ওইরিঙৈদা, য়াউশঙ কুইদ্রে হায়রকপদা পংনুংতা নুংঙাইখি। নুপামচাশিংনা য়াউশঙদা হেন্না নুংঙাইখিবদি, য়াউশঙগী শাংলবা ছুটি, য়াউশঙ লেকপা, চাকচা-হৈজনবা, কুম্মৈ য়েংবা, ইমান্নবা ময়ামগা কোয়বা চৎপগী নুংঙাইবদুনি। য়াউশঙগী কোবি থেকলুরগা ঙৌরগা চাবা, খোংবান লুক্লাং ঈশিৎলগা ঙা ফাবা, থরোই খুনবা মীগী ৱাপলদা হৌবা ৱা, মপু খঙহন্দনা অশাবা হোরাইনা ৱা লেনবা, ৱানা শাবা উতোংদা পেচকারি শারগা ঈশিং হান্দুনা কাপ্পবা অসিনচিংবসি তৌনরকই। লমতা থাংজ য়াম্না কিনৈ। নুমিৎ তাদ্রিঙৈদা যূমদা হঞ্জিন্নৈ। ঙাপ্রুম ফারগা লাই ফত্তবনা ফাবা ঙমদনবা হায়দুনা ইরুজনবা ঈশিংদা থাদরগা ঙাপ্রুম মহীনা কোক লুথোক্লরকই। লম হেনবা, ঙাওশিন্নবা কনা অমনা, থাবল চোংফমদা খৎন-চৈনবসু উখি, মী খৎনবা উরগা কিজখি। য়াউশঙ মনুংদা কুম্মৈ ৱাৎলক্তে। য়াউশঙ মমাংদগী হৌনা শুন্মাং লীলা য়াম্না শান্নবা হৌরে। ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা য়াউশঙ মমাংদা মেলা হেক হেক তৌখি। মেলা মনুংদা শুন্মাং লীলা ফেষ্টিভেলসু পাংথোকই। শুন্মাং লীলা মমিং চৎখিবা খরা, 'ইম্ফালগী বাবু, বি এ থিবা, পিদোননু, শায়োন শাফবা, পূন্সিগী মরুপ, অনৌবা পূন্সি, মেরা থাগী শনারৈ, ইপাগী ইবুংঙো (ডাকু জগৎসিং), দেবদাস' অসিনচিংবশিং অসি ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা পাংথোকপা শুন্মাং লীলা ফেষ্টিভেলশিংদা মকোক মথং তাখিবা ঙাক্তনি। হায়রিবা লীলাশিং অসি য়াউশঙ মনুংদা লৈকাইগী মফম খুদিংদা চাকচা-হৈজানবগী কৌদুনা শান্নখি। শুন্মাং লীলা অচৌবা কুম্মৈনি। য়াউশঙ মতমদা, লমদমসিগী শুন্মাং লীলাদি মীয়ামগী খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। শুন্মাং লীলা কৌবদা অপান্থা নুমিৎতা বার্তন ফংনদে। য়াম্না লাপ্লিঙৈদগী বার্তণ তৌবা চৎনৈ। বার্তণ তৌফমসু অরাপ্পা মফমশিংদনি। লীলাগী ওফিস ঙসি কৈথেলদা হাংলিবসি ঙল্লিঙৈদা লৈরমদে। লীলা বার্তণ লৌফম লীলা য়াওরিবা মীগী ময়ুমদা চৎলগা বার্তণ তৌনরকই। অহল্লুপ্তা, হৈঙাংদা দাকু জগৎশিংগী পার্টিগী লীলা কৌবা, কোঞ্জেং লৈকাইদা ওইনাম বাবুগী পার্টিগী, হৈনৌবোক্তা চৈতৈগী পার্টিগী অসুম্না মানা মানা খঙবা মফমশিংদা চৎনরকই। শুন্মাং লীলা তৌগদৌরি হায়বসি হেক্তা তানরকই। থাপ্না থাপ্না য়েংবা চৎনৈ। ইচে-ইচনশিং চাক ঙন্না থোংগৎনৈ। শুন্মাং লীলা হৌবগী ধলক মখোন তাবদা কন্না কন্না শান্নফম তান্না চেন্নখিবনি। অহল-লমনশিংনা অমুক য়াউশং মনুংদা চাকচা হৈজান্নরগা পেনা ফমশক, খোংজোম পর্ব্ব কৌদুনা তানখি। নুপীমচা অমদি লৈশাবীশিংগী নুংঙাইজবা, ইরাং লাংজবা মতমসু য়াউশঙ মতমদনি। য়াউশঙদগী হৌরগা চৈরাউবা ফাওবা, চাকচা-হৈজানবা, শুন্মাং লীলা কৌদুনা য়েংজবা, থাবল চোংজবা লেপ্পদে। থাবল চোংবদা মশা থিন্দোকপা, অহিং থেংনা তুম্বগী মমাই মমিৎ পোম্নবা, চোকথবা নাইখিদবা মতমদো য়াউশঙ থাসিদনি।

লাউদ স্পিকর, মাইকনা উতোন-ৱাতোন, অৱাংবা উ পাম্বীদা, যুমথক্তা ৱাংনা পানখৎতুনা মাইকৈ মাইকৈদগী শুন্মাং লীলাগী থাবলগী খোংগৎনরকখিবনি। থাপ্না, নুংশিৎনা হুমলকপা মাইক্কী খোঞ্জেল তাবদা য়াম্না নুংশিখি। কদায়দা, কনাগীদা করি লীলা, কনাগীদা থাবল চোংগদবা পাউ লৌনখিবনি। য়াউশঙ থাবল চোংফমদা থানগদৌরিবা মৈশিং অদু ঙসিগী অসিগুম্বা ইলেকত্রিক্কী অঙানবা মৈশিং নত্তে। লৈকাইদগী ৱায়বা মৈনি। হাপ-লেনর্টন, পেট্রোমেক্স লেনর্টনশিংনি। কনাগুম্বা, খঙন-চান্নবা পাখংশিংনা নুংশিনা মৈ পাংলকপকাসু য়াওনরিবনি। থাবল চোংফম ময়াইদা থাবল য়াওবা লাকখিবশিংনা খৌরাংলগা থক্লবা ঈশিং সনাপুন ফাওবা থাবন শিল্লিবা লৈশাশিংনা খিঞ্জদুনা থম্মখি। থাবল চোংফমগী থাউমৈ মখোংশিং লৈশাবীশিংনা নুংথিলগী মতমদা উখোং তৌজরগা লৈকাইগী মবুং মৌপ্পাশিংগা লোয়ননা মৈ থান্নবা থৌরাং তৌজখি। থাবল চোংফম শেম-শারুবগী ৱারগা চানবা পোৎফমদা পূল্লপ লাক্তুনা চামিন্নৈ। চানবা অচাপোৎ মতম অদুদা কয়া লৈখিদে। লৈকাইগী ইনে-অবোক্লা য়াউশঙ নংনবা পোৎফম পানখৎনৈ। পোৎফমদা য়োঞ্জবা, মখুৎনা শুবা শীংজু, চোরফোন, থন্থৌ, বোরোই হৈঙান, মংগল কাংঙৌ, বোরা, পাকনম, পাফর অতাওবা, চিনি অঙাংবা, চুহি-চুবা অসিনা অচাপোৎ ওইনা লৈশা পাখংশিং পূল্লপ লাঙদুনা চাজখিবনি। মতমদুগী ওইনদি হাওখুবা ঙাক্তনি। লৈকাইদা মাইক খোংবা, মাইক লোইবা য়াম্না লৈনরম্মী। মাইক, য়াউশঙ মনুংগী মরুওইবা পোৎচঙনি। বেন পার্টিশিং য়াম্না লীংখৎনখি। য়াউশঙ নঙনবা অনৌবা খোংনবা বেন, থীন্নবা ধোন-সাইদ্রম লৈনবা থৌরাং তৌনজরিবনি। থাবলদা খোংনবা বেন ঈশৈ অনৌবা খোংবা তন্নখি। ফুরিৎ ফিরোন তুফমসু শংনখিদে। য়াউশং নংনবা ফুরিৎ ফিরোল অনৌবা য়াম্না তূনখি।

ঐনা কাওদবা, নীংশিংজবা অমা লৈ। খ্বাইরম্বন কৈথেন্ মনুংদা ঐগী অবোক্লা ফি য়োনবগী দুকান মচা অমা লৈরম্মী। অতে য়োন্দে লিহা মানবী ফি, মেখলা, চাদর অমদি লশিং ফি অসিনি। মরুওইনা লশিং ফিদি য়াম্না চাউনা যুমদসু য়োনখি। য়াউশং ময়াদদি জয়পর ফি য়াম্না য়োল্লি। য়াউশঙ নঙনবা যুমদা জয়পর ফি সাপাসু য়াম্না নন্মী। মতম অদুদা নুপীমচাশিংনা য়াউশঙ থোকপা তারবদি জয়পর ফি খ্বাংশেৎ ওইনসু, ইন্নবা ওইনসু শোয়দনা শীজিন্নৈ। য়াউশঙ অমা লাকপা হায়বসি নুপামচা নুপীমচাশিংগী ওইনা অহল লমন, মরি-মতাশিংনা মচা-মশু ওইবশিংগী ফুরিৎ, ফিরোল, খোংউপ অনৌবা লৈবীবা মতম্নি। অবোক্লা য়াউশঙ মমাং অমদি মনুংদা, কৈথেন্দা জয়পর ফি য়োনবা চৎপদা মতুং ইন্দুনা ঐহাক পোৎ য়োনবা য়াওরকখি। নুপী মচা অমদি লৈশাবী মচাশিংনা ইন্নবা জয়পর ফি য়াম্না য়োনখি, য়াম্না শিৎলি। অঙাংগী জয়পর ফি অমদা লুপা অনী অহুম পী, খর চাওবা লৈশাবীগীনা লুপা মঙা পী।

কৈথেন্দগী হল্লকপদা, অবোক্লা লৈপাক হৱায় হৈঙান, চু মকক্ , কবোক খোইদুম লৈবীরগা হৱাউনা য়ূম য়ৌনবা খোঙনা হেক হেক হনমিন্নরকখিবদু নীংশিংলুবদা নুংশিরকই। মতমদু খোঙনা চৎনবা ঙাক্তনি, একাগাড়িশিং নত্তনা ইঞ্জিন পানবা গড়ি কয়া উদ্রি। মফম খূদিংদা রিক্সো য়াম্না থৌনরে। উরিপোক্তা রিক্সো থৌবা মৈতৈ পাঙলুদু মমিং শামা কৌবা অমখক্লা থৌই। অতে রিক্সো থৌবা মী কয়া লৈতে। মীতৈনা রিক্সো থৌনরমদে। রিক্সো থৌবদি ঙল্লিঙৈদা মৈতৈ পাঙলখক্তনি। মীপূম খুদিংমক খোংনা চৎপগা একাগাড়ি তোংবগা অসিনা অয়ান্বনি। একাগাড়িসু যূমথোং খূদিংগী লৈনরমদে। একাগাড়ি অরৈবদগী ৱায়নরগা থৌনরম্মী। কৈথেলদা, যূমলক্তা একাগাড়ি হুরানবসু য়াম্না লৈরম্মী। ইঙ্খোল মনুংদা হৌবা য়েন্সাং-নাপিশিং মিৎতা মথং মথং উরকই। হংগাম মপাল শাবা, হৱাইমুবী মপাল শাবা, হৱাইথরাক মরক্তা চঙদুনা হেক্লগা চাবা য়াওশঙ মতমদনি। কয়াদা নুংঙাইখিবনো। য়াউশঙদগী হেন্না নুংঙাইখিবা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদগীনা পাখংমচা ফারকপা ফাওবদা অতে লৈখিদে হায়বা য়াই। য়াউশঙ মতমদা চিথি ইনীংঙি, শৈরেং ইনীংখি। ইথক-ঈরাংগী নত্তে। মহৌশাগী হোংলক্লিবা মচু-মমেনশিং, মতম অদুগী পাখং-লৈশা, নহা অহলশিংগী হৱাউ নুংঙাইখিবা পূন্সি মহীং অদু উখিবগীনি। য়াউশঙদা অৱাবা খুদিংমক কাওখি। য়াউশঙ মনুংদা লানগী ৱারী শানখিদে, লৈত-লাইরগী ৱা হংনখিদে। লাইর-ইনাকখুনবা চপ মান্নে।

য়াউশঙ মৈ থাবা অসি অচৌবা থৌরাং অমনি। লম লম, লৈকাইগী ওইনা মান্নদবা লৈখি। য়াউশঙ মৈ থাবা নুমিৎকী নোংমা ৱাৎলিঙৈ অসি মৈজাও হায়না খঙনদুনা মৈ চাউনা থাদুনা মৈ তীকপা, কোবি, আলু কংঙৌ চাবা তৌরকখি। নোং লাওবা হায়দুনা লৈকাই লৈকাই, তুরেল ৱাংম-ৱাংমদা লৈনরগা অমনা অমবু ৱাহৈনা লাওনবসু তৌনখি। তশেংনা হায়রগদি অমনা অমবু শীংনবনি। য়াউশঙগী মৈজাও নুমিৎতা লাওনবা ৱাহৈদি- "লুচিংবা অমনা লাওই-"হরি হরি বোলা", ময়াম্না খুন্মী "হে হোরি।" লুচিংবনা অমুক হায়, "..মকোক থুগায়সিকো", ময়াম্না খুন্মী-'হোয় হোয়', লাইশ্রম মচা- ভুবন্নি, নঙগা ঐগা -কাউনসি, কনানা ঙমগে- য়েংনসি। নিংগোংনা- শেৎ শেৎ, লোংখ্রৌনা- দম দম, কল্লাক কোৎপী- লুখম কায়, শা মরা- উরিরৈ, গন্ধারাজ- চিগোংলৈ, লাইশঙ মপাল- সনারৈ, পুখ্রি মপান- কবোক্লে,..." । ৱাহৈশিং অসি লাও লাওদুনা নুমিদাং অথেংবদা লৈরক খুল্লক্তা য়াওশঙ মনুংদসু কোইচৎ চৎনখি। য়াম্না ঙল্লিঙৈদা করম তৌরমগদবনো খঙদে ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনখিবদুগী পাউদম্নি। লাওনরিবসি নোং লাওবা কৌই। মীগী অশাউবা, শাওনিংগদবা খল্লগা মমিং পল্লগা লাওবনি। অৱায়-অখূম তৌনদে। তৌনরগদি অদুম খৎনরে। মীগী যূমদা নুঙনা থাজিনবা, কোন্থোংচৈ মপু খঙহন্দনা লৌথোকপা, ফৌশুশঙদগী শূক-শুন্বল লৌথোক্লগা কোন্থোংদা থাংদোক্লগা থমলন্থা য়ওই। মী শাওহনবা, যুম্নু শাওহনবগী মতৌনি। কনাগুম্বনা, চহী অমগী মনুংদা অমুক্তা থোকপনি হায়দুনা থোইদোক্লা খল্লদনা হায়জসনু হায়দুনা নোক্লগা লৈবসু য়াওই। শাওগনবা মী খরদি, নোং লাওবা উশিত্তে হায়দুনা ৱাফংনবা, শাওনবসু য়াওখি। মখল-মথেলনি। য়াউশঙ মৈ থাগদবা নোংমা মমাংদা পাংথোকপা মৈজাও হায়না খঙনবা অসি পাংথোক্লদবা মফমসু লৈ। মৈজাও হায়রগা য়াউশং মৈ থাবা নুমিৎ অসিতমক অয়াম্বনা খঙনৈ। ঐখোয়না মৈজাও হায়রগা য়াউশঙ মৈ থাগদবগী মমাংদা নোং লাওবা, শীং থিরগা মৈ থাদুনা তীকপা অসি খঙনরকই। থৌরম অসি লৈকাই লৈকাই, খুন খুনগী মান্নদবা ওইগনি। য়াউশঙ মৈ থাবা হেক লোইবগা, নাক থেংবা হায়দুনা খঙন চান্নবা লৈকাইদা অঙন্থা পৈশা হাপ্পীনবা নাক থেংবা চৎলি। পৈশা খায়বা, নিবা অসিদি অঙাং খক্তা নত্তে অহল্লোনশিংসু চৎলি।

য়াউশঙ লোইরকপদা মীচং খায়দোক্লরগা ৱা মচা অমদা বালিটিন ময়াইদা য়াল্লগা যুমথোং খূদিং চেং-য়েন্সাং খায়বা চৎলি। মদু নীরুবা নত্তে। ফংলকপা চেং-য়েন্সাংশিং অদুনা ময়াম হরাউনা চাক চামিন্নৈ। মহৌশানা য়াউশঙ ময়া, য়াউশঙ মনুং নৎত্রগা য়াউশঙ মতুং ইকান কান্নদনা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা অসিসু য়াম্না তৌগল্লি। পরিক্ষা থাগদবশিংনা য়াউশঙগী নুংঙাইবা কুম্মৈবু লাংতক্লবা অদু তুংওইনরল্লগা পরিক্ষা থানরকই। অসুম্না মতম শাংনা কুমশীং ১৯৭০ ফাওবসি চৎনরকখি।

কুমশীং ১৯৮০ গী পরিংদগীদি য়াওশঙ মনুংদা শান্ন-খোৎনবনা থৌরম অমা ওইনা পাংথোকপা, অরেম্বদা পৈশা অমদি ছুটি নুমিৎ মতম শাংনা মাঙহন্দনবা, অকক্লবা নুমিৎ অমদি মতমদা থাবল চোংবা অসিনচিংবা কান্নরবা কয়ানা হান্না চৎনরম্বা মওং মতৌদগী অহোংবা লাকপা হৌখি। অরেম্বদা মতম মাঙহন্দনবা, শান্ন খোৎনরোমদা মায় ওনশিন্নরকই। অহোংবা অসিদসু য়াউশঙগী নুংঙাইবদি অদুম মীয়াম্না ফংলকই। শুন্মাং লীলাগী কুম্মৈশিং শুন্মাংগী মহুৎতা লম্বী লমজাওদা ফম্বাক শাদুনা কন্না উৎনরকই। ঙল্লিঙৈদদি শুন্মাং লীলা শান্নবসি, শুন্মাং, বামোন মান্দপ, তুরেল খোংবানগী অহাংবা লম্পাকনচিংবা মফমশিংনা শুন্মাং লীলা শান্নরকই। য়াউশঙগী হৱাউ কুম্মৈগী থৌরম অসি অথীংবা অহোংবা খরা লৈখ্রগসু, য়ানবা চৎনবী কাঙলোন অমগী মখাদা পাংথোক্লগা লাকখি। ঙল্লিঙৈ, মহৌশাগুম্না হৱাউ নুংঙাইনা য়াউশঙ পাংথোকলক্তবসি কোভিদকী মতমদগী মরাইবক থীখিবা হৌখ্রে। কোভিদ হাংথোকখিবা কুমশীং ২০২১গী মতুং য়াউশঙগী মশক খরা উখি। লাইবক থীবদি পোষ্ট কোভিদকী চৈথেং কোকত্রি। মে থাদগী হৌখিবা কুকীগী লান্না মরম ওইরগা হৱাউনা পাংথোক্লবা য়াউশঙগী কুম্মৈ, মরাইবক থীবা অমুক হল্লকখি। হন্দক্কী য়াউশঙসু পাংথোক্লদ্রে। হৌখিবা চহী অনী অহুমলোমসিদা ওইরক্লিবা থৌদোক-ৱাথোক ময়াম অসিনা য়াউশঙদা নত্তনা লমদমসিগী হৱাউ কুম্মৈশিং লেপলকখিবা কুইরে। হৌজিক মখা করি ওইরক্কদগে হায়বা ঙমদ্রি। মতম্না পুরকপা য়াউশঙ থানা লাকপা, লমতাগী থানিলদি অহোংবা লৈখিদে। নুমিদাংৱাইরম ওইশিল্লকপদা, ঙাঙলৈনবা মচুদা মমায় ইপাক পাক্লা হৈনৌ পান্থীগী মরুমদা লিৎখৎলকপা নুমিদাং ৱাইরমগী মপূং ফারবা থাবু উরুগা অঙাং ওইরিঙৈগী য়াউশং মৈথাবা নুমিৎ খঙনীং নীংশিংলকখি। অঙাংশিংনা য়াউশঙ মৈ থাবা হেক লোইবগা য়ুমথোং খুদিংদা লাক্লগা হায়রবা ৱাহৈ "নাকা থেং..নাকা থেং..' হায়বা নুংশিবা খোঞ্জেলদু কুমসি চহী অসিগী লমতা থানিল নুমিৎ অসিদদি তাখিদ্রে। এম পিগী ভোটতি পাংথোক্কদৌরিমাল্লে।

- মাখোনমনি মোংসাবা

ৱারী ককনাউ

লাক্তা লাকসনু তোৎলদবনি

গোবিন্দ খুরুম্মুবা অহল মঙাদু নুংতিগী হোটেলদা পুল্লে। মখোয় লাই খুরুম্মুরগা থোরকপদা চা অমা তল অমা চাবা হায়বসি মখোয়গী শুংশোয় শোয়দ্রবা মথৌ অমনি। অয়ূক অঙনবদুদা চন্দন চৰা থিল্লগা ফৈজোম শেৎতুনা, ফিজাও অমমম ইল্লগা সাইকল থৌদুনা লাক্লবনি। মখোয় নোংমফাও শাওনদে। মতম চানা চানা লাক্কনি। অহলশিংদো লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভম অসিদা নুংনাংবা ফাওই। কনানা করি তৌরবগে, কমাই কমাই তৌরিগে হায়বসি মখোয় য়াম্না খঙনীংই। অদুনা হোটেলদা চা থক্লা থক্লা মখোয় ৱারী শানৈ। কনাগুম্বা হোটেলদা চঙলকপা কাঙবুশিংনসু ৱারী লীবিরম্মী, সুমাই তৌরে সুমদৌরে হায়দনা। মখোয় মুন্না মুন্না অদুম তাই। অহল ওইজরবসু লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভম অসিদা নুংঙাইতবা চপ চানা ফাওরি। মখোয়গী শিংলিদা ফূরুপকী ওইবা ৱাখল নীংথিনা চেল্লি। লান খান্বীদবগী ৱারৌবা পোক্লি। লাইগী মন্দির চাউনা চাউনা শাবা, লাইগী থৌগল নীংথিনা হেক হেক লৈবাক নিকখৈ চঙবা কাঙবুনা লৈঙাক পায়বদু মখোয় নুংঙাইজবা ফাওরমগনি, ৱাখল্লোন হায়রপ মান্নবনা। অদুবু হৌজিক ওইরিবা লমদমসিগী ফীভম অসিদা অমুক নৈনরুরগা শোয়দনা খরদি ৱারৌরে হায়বসি মোইগী ৱারীদগী খঙবা ঙম্মী। অদুনা মখোয়গী ৱারীদা হেক হেক য়াওরকই।

"হন্দক্তি খঙগনিদনা, মী অনী খৎনবদা মরক চঙদুনা ঙাইখো ঙাইখো, খৎনবা য়াদেগাইনা অমুক্তা খামদবা, য়েংলগা শিনীংখৈ শিজৌ, হাৎননীংখৈ হাৎনৌ, নৱা নৱাচানি হায়না ইন্থোক্তুনা থল্লিবা মোই হন্দক্তি খঙগনিদনা" মতাইদা ফম্বা খরা হেন্না অহল ওইরবদুনা হায়রকপনি।

"ঐখোয়দি হৌখিবদুদা, লাইগী থৌগল তৌজবা কয়াদু উবদা, মবুকচেল ফজরমগদবোই খন্দনা অমত্তা নত্তনা খোঙবীফাও য়াওনা ভোট থাদরগে হায়না খনখিবনি। অদুবু অয়াবা অদুতং ওইরসু ইপুকসি পেন্না থাদজখিবনি। অদুগদি মোইদি লাইগী মিংদা মীপূক্লিং হুবা ঙাক্তা ওই লৈরম্মেদনা" অমনা থোক ওক্তুনা খুল্লকই।

"শেল য়াম য়াম চঙবা মন্দিরগা শাদনা, হেক্তা অমুক্তেইবা কুম্মৈ তাই। ঐখোয় শ্বাইগী খরা অমসু মন্দির শেংদনা ৱাই তৈদনা কন্না তৌবা উই। ময়ূমদনা নানৈ ফুনৈনদনা মীশি মীনা থোকপসিদা ৱা অমত্তসু হায়দে। করি থোকচৈ হায়দনা তৌজ শারিনো, খঙনীদনা" অমসু থোক ৱাপাংশিল্লকই।

ঐসু অদুম তাই, পূক্লিংদদি খল্লিকো, অহলশিংসে পেন্দ্রেসে হায়না। য়ৌ-য়া, য়ৌ-য়া হোটেলদু পূম্লিল নীল্লি। ভোটকী ৱা নৈনবদা, ময়াম মরক্তুদা লৈঙাক্কী মী হায়রপ মানবা অমসু য়াওরকই। মানা মতেং খজিক খজিক পাংশিল্লি, মীচং হায়রপ চঙবা মান্না।

"মোইসু খন্দি য়াম খনবজাৎনিদা। অদুনবু মখল কয়াগী ৱাফম হায়রক্লিসিনি। ঙমখৈ শন্বল খাবা, মী চঙথোক চঙশিন তৌবা থিংগনি গাইনা" মাই ৱাদু লোইরম লোইফাৎত্রিঙৈদুদা অমনা থোক ওকশিল্লকই।

"য়ারে ইবো, ঐখোয়গী লমসিদা ম্যানামার মচা ৭৭ খক লৈরম্মী হায়রিসিনি। শোমদনা ম্যান্মারগা তাইনবা কেন্দ্র/কেন্দ্রদা ভোটর লিশীং ৬০/৭০ য়ৌরে হায়নরি অদুগা শুপ্পগী ৭৭ খক লৈরম্মে। মোইদুগী মনুংদগী মীওই ৭ হেলিকোপ্টরদা ময়ূমদা থিন্দোক্লনি হায়দনা হায়রিদো তাদ্রো। লিশীং লিশীংদা হেনগৎলিবা, খুল লিশীং লিশীংলোমদা হেনগৎলক্লিবসিবু লোইনা তেক্লগা শুপ্পগী ৭৭ খক লৈরম্মে হায়রিসিনি। ঙকত্রো? তানীংদবা ৱানেবা, ফৈরেংগা তুরেংগা" অহল অমদি মতিং থোকখৈ শাউরে।

নুপাদু মতিং খরা শোকপা মাল্লে। খজিক ৱারৌরপ তৌনা মখা চখৈ।

"সুম থিগৎপা হৌরকপৈ ৱানিদা। মাই তৌজরক্কনি। তৌনী থাজদবা ময়াম অমা তৌরক্লিসিনি"

"ইবুংঙোদি কনানো?"

"ঐ লৈকায়সিদগীনি"

"লৈকায় হায়রিসি ঐখোয় লমসিগী নৎত্রো"

"মানি কৈনো"

"ঐখোয় লমসিদা করি থোক্লি হায়সিদি ইবুংঙোদি কৈমতা খঙদবরা?"

"খঙই কৈনো"

"খঙলগা ইবুংঙোনা ঙাঙলিদুনা করিনো? মী কয়ানো থিবা খঙদ্রিবা, নুপা-নুপী, অঙাং য়াওনা কয়ানো হৌজিক মফম খঙদনা লৈরিসে? হাৎখ্রে হায়বগী ভিদিওনচিংবা কয়া অমা থাগৎলকখ্রে। নোংমৈ কাপ্পা, কোমদা ইন্থবা কয়া কয়া। অদুবু মশা ফাওবা অমত্তা ফংদ্রি হায়সিদি ইবুংঙোদি খঙদবরা?"

"খঙই, খঙই হায়দনা কৈদৌদৌরিনো ঐখোয়না"

"হো অদু খঙদ্রদি ৱা ঙাঙনুকো"

"ঐখোয়গী খনবা লৈঙাক অমা লাক্লবনে হন্দক্কী ভোটসে"

"অদুনি ঐখোয়না ঙাইরিসে। য়ারে নঙ তোকও। মখা তারনু। ভোটতা ওইনা য়েংনরসি। ভোট খোন্বগা লাক্তা লাকসনু ইশুশিং তাক্লগা তোৎহনগদৌরিনি" নুপা নহাদু হৌগৎখ্রে। মাগী শেল পীরম্মগা অদুম থোকখ্রে। ঐ নোকসু নোক্লিংই তূমিন তারি। অহল অমদি মৈ হৌরে।

"ভোট খোন্বা হায়দো লাক্তা লাকসনু তোৎলদবনি হেক্তা"।

- নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(১৩৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

কোরৌ নুমিৎমদি পামেল উয়ান হকনা। লাংশুং মখ্বাংকি তারি য়েৎনা মিতম চিংনা। ৱারী শানা হৱাও থোইনা। ৱারি লিনা শাননখি। অপোকপী মমা ইবেমমা মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন সুমলৈমনা। লাইরেল মচা ইবুংঙো লোইতোংবসিবু। মপুং মরৈ ফানা। মপা মপু পুরেপ য়ৌনবা। পোকনফম শেললোই চীঙ ঈরাৎনা। লংমাই নোংতাইনা ঈরাৎ থৌনিবদি । শোইচীৎনবা মচা ফংনবা। শোইয়ামনবা মচাশুরোল য়ামনবা পুনসি নুংশাংনবা। থৌনি ইরাৎপদি। অমেচাকনা চফু চাকথোংনা। অমে লোংনা চাকলুক মথেল কৎনা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯱꯳꯴)

([illegible])

[illegible] ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।